এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা ঙরাং লৈখিদবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর হিন্দি পরিষদ, সাহিত্য থৌপাং লূপ, নেপালি সাহিত্য পরিষদ, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি, রুপমহল থিএটর, তুংগী য়াইফনবা শেন্বা কাঙলূপ, প্রোগ্রেসিব রাইটরস এসোসিএসন মণিপুর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অলমনাই এসোসিএসন অমসুং ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুর দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর তোইজম রাজেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মণিপুরী দিপার্টমেন্ট হেক হৌদোরকপদগী ঙসি ফাওবা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা অমদি মণিপুরী সাহিত্যগী মশক নাইরবা প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওজা, ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ওজা অসিগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবঙ মপূগী মফমদা থৌনিজরি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী প্রচার সচিপ হৈখাম মোচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর হিন্দি পরিষদকী চহী কয়ামরুম মেম্বর ওইনা লৈবিরম্বা মণিপুরী লোল অমদি হিন্দি লোলবু চাওখৎনবা হোৎনবীরম্বা অইবা প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা পরিষদ অসিগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ডা. অরিবম ব্রজকুমার পরিষদ অসিগী সেক্রেটরিনা মীফম মপূ ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা তাইবঙ শেন্বা মপূগী মফমদা থৌনিখি।

নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল) গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আই এস য়ূম্নাম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, নোহাখোলগী মেম্বরশিংনা লূপ অসিগী শঙলেন্দা ঙসি নুংথিল লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. এল শশিকুমার য়ুরেম্বম্না প্রিসাইদ তৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখ্রে। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সাহিত্য থৌপাং লূপকী সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সাহিত্যগী লম্‌দা অরংবা থৱান্মীচাক অমগুম ঙাল্লম্বা শক্লাইরবা অইবা এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা সাহিত্য থৌপাং লূপকী ওফিসতা লূপ অসিগী এদভাইজর সরতচান্দ থিয়াম্না প্রিসাইদ তৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমখ্রে।

লৈখিদ্রবা অইবা অসিগী পাউতাক মতুং ইন্না কুমজা ২০০৪গী দিসেম্বর ১৪দা মহাক্কী ৬৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমা মশাগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা অদুদা হৌরক্লিবা মীরোলদা চাউনা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মহাক্না নহারোলশিংদা মতমবু হুরানবা হৈয়ু, মীগী মপোৎ মরলদি হুরানগনু হায়রমখি। অসিগুম্বা মতিক ময়াই লৈরবা তুংগী মীরোলদা চেৎনা থাজবা থল্লিবা মহাক্কী থৱায় মিরেলনা মপূগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়রি।

নেপালি সাহিত্য পরিষদ মণিপুরনা ঙসি কংলা তোংবীদা লৈবা লোক বহাদুর বসনেটকী য়ূমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি অমসুং ইন্দিয়ন লিটরেরি সোসাইটিদা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা অইবা অসিনা ইবা *পিষ্টোল অমা কুন্দালৈ অমা* অসি নেপালি লোলদা ভৱানি অধিকারিনা হন্দোক্তুনা চহী অসিগী নবেম্বর ৪দা নেপালি সাহিত্য পরিষদনা ফোঙখিবনি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটিগী এ সী নেত্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সাহিত্যগী অরংবা থৱান্মীচাক অমা ওইনা ঙাল্লম্বা প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা সমিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এল উপেন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্বা খুদোল অদুনা হৌরক্লিবা তুংগী মীরোল কয়াগী অচৌবা লন অমা ওইহৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা তাইবঙ শেন্বা মপূগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা থৌনিখি হায়রি।

রুপমহল থিএটরগী চ্যেরমেন কে হেরামনিনা থোকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমনা হায়, রুপমহল থিএটরগা মতম শাংনা শাগোন্নরক্লবা অমদি দ্রামাগী মমিং লৈরবা স্ক্রিপ্ট কয়া ইবিরক্তুনা মায় পাক্লা লাম্হোকখ্রবা অইবা এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা রুপমহল থিএটরনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমখ্রে।

মীফম অদুদা লৈখিদ্রবনা তৌবিরম্বা কয়াবু শিংথাখি। লোয়ননা মহাক্না লৈখিদবগী অহাংবা অসি মেনশিনবা ঙল্লরোই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা তাইবঙ শেন্বা মপূগী নাক্তা লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা থৌনিখি হায়রি।

তুংগী য়াইফনবা শেন্বা কাঙলূপকী প্রসিদেন্ট এল সী সুরজিৎ কুমারনা থোকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা হায়, মণিপুরী সাহিত্যগী শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবগী অৱাবদা শরুক য়ারি। মহাক্না লৈখিদবা অসি মণিপুরী সাহিত্যগী লম্‌দা য়াম্না চাউনা মাঙজবা অমদি মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অহাংবা অমা লৈহৌরগনি।

চহী অসিগী নবেম্বর ১০দা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা ওজা অসিনা তুংগী য়াইফনবা শেন্বা কাঙলূপকীদমক্তা থৌদাং কয়া লাম্হোকপীরম্বগীদমক লমন খরদা ওইরবসু শিংজবা ওইনা ওজাগী মরমদা সেমিনার অমা পাঙথোকখি। ওজা অসিনা লৈখিদবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি।

অমরোমদা প্রোগ্রেসিব রাইটরস এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল রামেসচন্দ্রনা থোকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী খোরিরোলগী শক্লাইরবা অইবা প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা লাইরমলেন্দা ঈংনা তপ্পা পোথারুনবা মপূগী মফমদা থৌনিখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অলমনাই এসোসিএসন (এম য়ু এ এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. সী ঐচ ইবোহলনা থোকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমনা হায়, ঙরাং এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোফেসর দিণমনী মমাঙদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ওইরম্বা অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অমদি মণিপুরী লিটরেচরগীদমক্তা লৌরম্বা থৌদাং অদুবু শিংথাবগা লোয়ননা মহাক্না লৈখিদবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অমাঙবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা মীয়ামগী খোর্জে লূপকী প্রসিদেন্ট আর কে গুনচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা ইমাখোলগী শঙলেন্দা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

এ এম পি এস য়ু এম শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

লময়ানবা ইরাবতকী লিক্লম্মু চেৎনা থাজবা মীতৈ পাঙল হায়রগা খঙনবা ফুরুপ অসিগী মহৈরোয়শিং পুনশিন্দুনা মণিপুরদা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌনবগী পান্দমদা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা প্রিসাইদ তৌদুনা লিলোংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ওল মৈতৈ পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এ এম পি এস য়ু এম) কৌবা মহৈরোয় লূপ অমা শেমখ্রে হায়রি।

সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ভুসন লোংজম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা মীতৈ পাঙল খুল কয়াদগী লাকপা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা এ এম পি এস য়ু এমগী থৌ পুবশিংসু খনখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এস এস য়ু এমগী প্রসিদেন্টনা ওইরক্লিবা খুন্নাইগী হোংলক্লিবা ফীভমশিং অসিদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। মণিপুরগী লমগী শরুক খরা য়ূমলোন্নবা লৈবাক বর্ম্মানা লৌশিল্লকপগী ৱাথোক খুন্নাই অসিদা চাউনা মায়োক্লরি।

নাকল অমরোমদা জুকো ভেল্লিবুসু য়ূমলোন্নবা নাগালেন্দনা লৌশিনখ্রবরা হায়বসিসু চিংনদবা ঙমদ্রি। খুন্নাইগী লূরবা তানফম অসিদা মীতৈ পাঙল ফুরুপকী মহৈরোয়শিংনা লময়ানবা ইরাবতকী লিক্লমদা থাজবা থমদুনা মান্নবা খুন্নাইগী খোঙচৎ অসিদা মাঙজিল থানা চোংথোরকপসি খুন্নাই অসিদা অনৌবা মঙ অমা মঙফাওনবগুম্বনি হায়রি।

খুন্নাই অসিগী মায়কৈ খুদিংমক্তা অমম্বনা লাঙ্গৌই চনশিল্লক্লবসু ঙসি নৌনা মীতৈ পাঙল ফুরুপকী ওইনা শেল্লিবা মহৈরোয় লূপ অসিনা মীয়ামদা থাজবগী মঙাল অমা পীবা ঙল্লগনি। খুন্নাই অসিদা ক্লাশ ষ্ট্রগল করিগী মথৌ তারিবনো অমদি মান্নবা খুন্নাই অমগী খোঙচৎ করিগীদমক মথৌ তারিবনো হায়বদু এ এম পি এস য়ু এমনা পাঙল ফুরুপকী মীয়ামদা খঙহনবগী থৌদাং শোয়দনা লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়রি।

খুন্নাই অসি শেঞ্জাও পায়বনা খুল্লিংবা অঙম অথৌশিংনা পানবা অদুগা লায়রবা লৌমী-শিন্মী মীয়ামগীদি হিংহৈদ্রবা লৈবাক অমা ওইরক্লি। শেঞ্জাও পায়বা অঙম অথৌ ময়ামগীদমক্তদি লৈবাক অসিদা মখোয়না ঙমদবা করিসু লৈতে। মখোয়গী খুবামনুংদা থল্লি অদুবু লায়রবা লৌমী-শিন্মী মীয়ামগী খূৎতদি নোংমগী চরা অনী শুনা চানীংঙাই লৈত্রবা লমদম অমা ওইরক্লি হায়রি।

তানফম অসিদা লায়রবা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা হোৎনবা হায়বসি ঙসিগী তাঙ্কক্তা তঙাইফদবা থৌদাং ওইরি অমদি থৌদাং অসি এস এস য়ু এমনা ক্লাশ ষ্ট্রগল হায়না শম্না খঙনবা য়াই। লায়রবা ঐখোয় ময়াম অমত্তা ওইনা পূনমিন্নবা চঙই। শেঞ্জাও পায়বা ময়ামগী থৌজালনা লায়রবা মীয়াম হিংগদবা নত্তে। মীয়ামগী অপূনবা থৌনা অমদি লৌশিংনা মীঙোন্দগী নীদনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

পান্দম অসিদা এস এস য়ু এমনা পাঙল ফুরুপকী নৌনা শেল্লিবা এ এম পি এস য়ু এমনা শোয়দনা খুমাং চাওশিন্না অচুম্বা লম্বীদা কৎথোকপগা লোয়ননা থৌনা ফনা চঙশিল্লক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

এ এম পি এস য়ু এমগী থৌ পুনবা ওইনা মককময়ূম রসিদ অহম্মদপু প্রসিদেন্ট, অবদুল ৱাজিৎপু ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, মনোজ, ইমরান হুসেন অমসুং ফিরোজবু ভাইস প্রসিদেন্ট, জায়িদ খানবু জেনরেল সেক্রেটরি, জাকির হুসেন অমসুং কে ঐচ অসিব খানবু ফাইনান্স সেক্রেটরি, রাবিবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি অমদি অসিব খানবু ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): বি এস এফ সেক্টর হেদ ক্বার্টরগী মীৎয়েং মখাদা ৫৪শুবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা শীন্দুনা হোব বেপটিষ্ট চিলদ্রেন হোম (ওর্ফানেজ হোম) চুড়াচান্দপুরদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প অদুদা ডা. টি গোপেশ্বর সী এম ও (এস দি) অমসুং মহাক্কী ৫৪ বট্টালিয়ন বি এস এফকী তেংবাঙবা ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী এম ও ডো. বুংহোইচিংসু মেদিকেল কেম্প অদুদা শরুক য়াখি।

৫৪শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী টু আই সী এম কে টি সিমতেগী লোয়নবীনা ওর্ফানেজ হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংগা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নখি অমদি অঙাংশিংদা হীদাক লাংথক্লচিংবসু য়েন্থোকখি।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প অসি ৫৪ বট্টালিয়ন বি এস এফকী ওফিসিএটিং কম্মান্দেন্ট টু আই সী এম কে টি সিমতেগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অঙাংশিংদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি অমসুং চিলদ্রেন হোম অদুগী মেনেজিং কম্মিটিনা বি এস এফনা পাঙথোক্লিবা থবক অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

মালেমদা মণিপুরগী নট সঙ্কির্ত্তনবু শকখঙখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা ঙসি মণিপুর য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম ইন্টরনেসনল সঙ্কির্ত্তন দে ২০১৮ মণিপুর কলচরেল কমপ্লেক্স বাংলাদেশতসু পাঙথোকখ্রে।

বাংলাদেশ মেনেজিং কম্মিটিনা শীন দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গুরু নিঙোম্বম চন্দ্রমোহোন, নিঙোম্বম নরেন অমদি কৈসাম বিরেন্না মকোক চিংদুনা সঙ্কির্ত্তনগী ফজরবা শক্তম উৎখি।

থৌরম অদুদা কলচরেল কমপ্লেক্সকী কনভিনর এন জোয়ন্তনা ফোঙদোকখিবদা, মথং চহীদগী বাংলাদেশকী মীতৈশিংগী মরক্তা ফজরবা মীতৈশিংগী কলচর হেন্না মশক থোক্লা উৎথোকপা ঙল্লগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা বজেট হাপ্পীদুনা কমপ্লেক্স অসিদা সঙ্কির্ত্তন য়াওনা ঈশৈ অমদি জগোয়গী ওজা নিপান থারক্তুনা শোথরিবা ঐখোয়গী কলচর অসিবু য়োকখৎনবগীদমক থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীরক্লে। বংলাদেশকী মীতৈশিংনসু মণিপুরগী ওজাশিং লাক্তুনা তাকপী তম্বীরকপা মতমদা খঙহৌনবা হোৎনহৌরসি হায়রি।

পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

ৱাহেংবম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা অশাংবম ইবোহল, ইংবা মঙাং য়ূম্নামচা অমসুং মাইবম তোম্বনা প্রিসাইদ তৌদুনা কংলা ফমথৌ ৬৪, সলাইচা অপূনবা লূপতিন, লাইয়িংথৌ সনামহী সনাপুং, মাইচৌ নীংশিং লূপ, সলাই তরেৎ লূপতিন, সিভিল সোসাইটি ওফ কলচর কংলৈপাক, ইনাৎ কনবা লূপ, সলাই মপারী শিংলূপ, পোইরৈ ঈ থিবা লূপ, মোইরাং সলাই পূনশিন লূপনচিংবনা পূন্না মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সঙাই ফেষ্টিবেলদা সলাই তরেৎকী চীং-তমগী ইপা ইপূ অপোকপগী মচু ওইনা মৈরা, মেক্রুক লাংনা লাৎচরিবা সলাই মচাবু লাইগী মচা হায়না মীংথোনবা পূক্লিং থৌগৎপা ৱাখল্লোনবুদি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অদুবু মালেমদা খুন্থোকপা ইমাশিংনা ফাওবা লৈতেংখিদ্রবা লুনা থমজবা ফনেকপু স্কর্ট ওইনা লৈতেংখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। মীফম অদুনা থা অসিগী ৯দা অমুক হন্না মীফম পাঙথোকপা হায়নসু লেপ্পখ্রে হায়রি।

বোসেমগী ইনক্বারি রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহল্লু : দেসাম

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

হন্দক চহীগী বোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেনগী ইগজাম রিজল্টদা অশোইবা অরানবা কয়া য়াওবদগী লৈবাক মীয়াম খঙনরক্তুনা ৱাথোক ওইরকপদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী থাক য়ৌদুনা খঙনরবা মতুং ইনক্বাইরি তৌদুনা অশেংবা পুথোরক্লি হায়না গভর্নমেন্টনা লৈবাক মীয়ামদা থমখিবা ৱাফম অদু করম্বা ফিভমদা লৈখ্রবগে? হৌজিক হৌজিক বোসেম মনুংদা লৈরিবা অশোইবা অরানবা ময়াম অদু লৈবাক খঙক্লগনি কিবদগী লৈবাক মীয়ামদা ইনক্বাইরি রিপোর্ট লোইশিন্দুনা মরাল লৈবা মীওইশিং কনখৎনবা হোৎনরিব্রা হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোয় অমগী পুন্সিবু করিসু খন্দ্রবা, মশাগী খুদোংচাবা খরা উবগীদমক মশাগী মথৌ কাওথোক্তুনা অরানবা তৌখিবশিং অদু চুমথোক্তুনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনহনবগীদমক দেসেমনা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইবশিংগা পুন্না চঙশিনখিবা খোঙজংগী মখা তারকপা ওইনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ইনক্বাইরি কম্মিটি শেমদুনা লাল্লে খঙলবা ৱাথোক অসিবু অমুক মতম লৌদুনা থিগৎনবা ওর্দর হৌখিবা জুলাই ১৫ দা থোকখি। লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্নসু গভর্নমেন্ট অমদি ইনক্বাইরি কম্মিটিদা থাজবা থমদুনা ইনক্বাইরি কম্মিটিগী রিপোর্ট পীখৎলকপা ঙাইদুনা লৈনখি। ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না ইনক্বাইরি কম্মিটিনা ইনক্বাইরি তৌদুনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা থিগত্তুনা ইনক্বাইরি রিপোর্ট মরী লৈনবশিংগী মফমদা পীশিনখিদবদু লাইবক থিবনি। মতম অশুক কুইরবা ফাওবা মরী লৈনবশিংনা অশোইবা অরানবা কয়া অসি চুমথোক্তনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবগী মহুৎ হৌজিকফাওবা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিগী নুঙগী ৱাহন্থোক করিনো? মসিনা বোর্দ অমদি লৈঙাক্তা থম্বা লৈবাক মীয়ামগী থাজবা অদু মাঙহল্লে। এদ্যুকেসনদা করপসন তৌদুনা ঐ-ঐগী খঙন-চান্নবা, শক-মায় থিদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং কুপশিন্দুনা থল্লগদি লমদমসিদা মতৌ করম্না এদ্যুকেসন সেক্তরবু ফ্রী জোন ওইহন্দুনা খুন্নাইসিনা চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি হায়রি।

মরালশিং অসিনা অথুবদা মরী লৈনবশিংনা ৱাথোক অসিনা হেন্না লুশিল্লত্রিঙৈদা মীৎয়েং চঙদুনা চৎলিবা চহী অসিনা লোইশিদ্রিঙৈদা ইনক্বাইরি রিপোর্টপুথোক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি অমদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কন্নবা হোৎনগদবনি। অশোইবা অরানবনা থল্লবা বোর্দ অসিনা মসিগী মতুংদা থোক্লিবা অশোইবা অরানবশিং চুমথোক্তনা লৈবা তারগদি বোর্দ অসিনা লৈরিবা থাজবা পুম্বা মাঙখিদুনা বোর্দ অসি লৈতবনা ফরে খল্লকপগা লোয়ননা বোর্দ অসিনা কন্দক্ট তৌবা ইগজামশিংদা নত্তনা থবক-থৌরমশিংদা ফাওবা অকায়বা পীরকপা য়াই। মরম অসিনা অসিগুম্বা ইহৌ লাক্ত্রিঙৈদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা ৱাথোক অসি চৎলিবা চহী অসি মনুংদা লোইশিনগদবনি।

খাবৈশোয়দা গো টু ভিলেজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

খুরাই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথুরকখিবা গো টু ভিলেজ মিসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কা অনী লৈবা নুপীশিংতগী ওইবা পব্লিক বাথ রুম অমা শঙ্গাখ্রে। খুরাই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা ফিশাবী ২৮০দসু ৱিভর কার্দ এ সী অসিগী এম এল এ এল সুসিলদ্রো এলাইজ য়াইমনা য়েন্থোকখ্রে।

খাবৈশোইদা লৈবা হোলদা পাঙথোকখিবা গো টু ভিলেজগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা এম এল এ সুসিলদ্রোনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা পূন্না শীন্দুনা গো টু ভিলেজগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াসু শরুক য়ারি। গো টু ভিলেজগী থৌরম অসিদা খোমিদোক, থাংজম খুনৌ অমসুং খাবৈশোই ভিলেজদা লৈবা মীয়াম্না শরুক য়াখি।

এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী ভিলেজশিংদা চথুরকপা গো টু ভিলেজকী অরোইবা থৌরমনি। এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা ভিলেজশিং গো টু ভিলেজ মিসন্না কোনশিনবা ঙল্লে। নৌনা লৈঙাক পায়রক্লিবা বি জে পিগী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্না এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীবা ঙল্লে। হৌজিকসু এ সী অসিগী মীয়াম্না মখা তানা গো টু ভিলেজ মিসন পাঙথোকপা পাল্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা নুপীশিংখক্তগী ওইবা পব্লিক বথ রুম অমা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখি। মসিদা নত্তনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা ফিশাবী ২৮০দা ৱিভর কার্দশিং য়েন্থোক্কনি অমসুং এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা লৌমীশিংদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীরকপা নিংথমথাগী ওইবা মরূ মরাংশিংসু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা কাইরং খোমিদোক জি পিগী প্রধান চেসাবম নুরজমন অমসুং কে ঐচ ৱাই এল এস এ ক্লব খাবৈশোইগী প্রসিদেন্ট এম দি রোমানচিংবসু শরুক য়াখি।

‘বোসেমগী ফোঙবা টেক্স বুক সেসন হৌবা নংনবা মহৈরোয়শিংদা ফংহনবীয়ু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

একাদেমিক সেসন ২০১৯-২০গী ক্লাস ৱান্দগী আইট ফাওবদা তম্নবা এস সী ঈ আর টিগী ষ্টেট লেভেল করিকুলম এন্দ সেলেবস কম্মিটিনা রিভিয়ু তৌখ্রবা টেক্স বুকশিং মতম চানা সেসন হৌবা নংনবা মহৈরোয়শিংদা ফংহনবীয়ু হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাএন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যেরস সমুলাইলাৎপম দেবদত্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা চহীশিংদা বোসেম্না পব্লিশ তৌবা টেক্স বুকশিং মতম চানা ফংহনবা ঙমখিদবগী থৌদোকশিং লৈখ্রে। লাক্কদৌরিবা একাদেমিক সেসন অসিগী ওইনা মতম চানা ফংহনবা ঙম্নবা থা খরগী মমাঙদগী হৌনা একাদেমি ওথোরিটি ওইরিবা এস সী ঈ আর টি অমদি বোসেমগী থবক থৌরমশিং কূপ্না য়েংশিন্দুনা লাকপনি। লাইবক থীবদি হৌজিক ফাওবগী লৈরিবা লাইরিক নম্বগী খোঙচৎ অসি য়েংবদা লাক্কদৌরিবা সেসন অসিগীসু তম্নবা লাইরিকশিং মতম চানা নপ্লোইদৌরিব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী বোসেম্না পব্লিশ তৌবা টেক্স বুকশিং হৌজিক কৈথেলদা ফংহনবা ঙমদ্রি। মরম অসিনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীনবা আপিল তৌজরি।

নাকল অমরোমদা, চহী কয়াগী মমাঙদা মহৈলোইশঙশিংবু বিজিনেস সেন্তর ওন্থোক্তুনা মহৈরোয়শিংবু কম্মোদিটি ওইনা উদুনা স্কুল মমিং থাবা লাইরিকখাও, খোংঙউপ, মোজা, এক্সর্সাইজ বুক, টেক্স বুক্লচিংবা পোৎলমশিং স্কুলশিংনা সপ্লাই তৌবা য়ারোই হায়না দেসামনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়রি। মহৈরোয়শিংনা তম্নবা টেক্স বুকশিং বোসেম্না প্রেস্ক্রাইব তৌবা অদুতমক তমগদবনি। কনাগুম্বা স্কুলশিংনা অহেনবা টেক্স বুকশিং তমহল্লল্লবদি মদুগী মথক্তা থোরকপা থৌদোক ৱাথোকশিংগী থৌদাং মশা মশানা লৌগদবনি হায়রি।

‘খোংনাংথাবা এৱার্দ লান্থোক্লগনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না চথুরকপা এদ্যুকেসন সেক্তরবু হেন্না ফহন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনবদা কৎথোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা ওজাগী শিনফমদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংগী মরক্তগী কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা কৎচবা চীংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ (চি মখা) ২০১৮-১৯ মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩দা দেসামগী ১৭লকশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চহী অসিগীসু লান্থোক্কনি হায়রি।

দেসাম হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যেরস এস ঐচ দেবদত্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইকায়খুম্নজরবা ওজাশিংনা মরী লৈনবা বাইও দাটাশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা দেসামগী টেম্পররি হেদ ওফিসতা পীশিনবীরকউ। দোক্যুমেন্টশিং অদু মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসনগী হেদ, ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি মরী লৈনবা জেদ ঈ ওশিংগী রিকমেন্দেনসন য়াওহনবীরকউ হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শৌগৎলক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অফবা নুমিৎ পুরক্কনি হায়না ৱাশল্লগা মীয়ামগী হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন তৌরে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না ফোঙদোরক্লি।

মুসুগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম কেনেদি অমসুং মুসুগী কলচরেল সেক্রেটরি এল রোবিন্দ্রোনা পূন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, পাউমী কিশ্বর চন্দ্র এলাইজ ৱাংখেমচা ৱাংথোইনা মহাক্কী ফেসবুক একাউন্টতা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা ভিদিও অপলোদ তৌরুবগীদমক মরাল পীশিন্দুনা হৌখিবা নবেম্বর ২০দা পুলিসনা ফাখি। মতুংদা হৌখিবা নবেম্বর ২৬তা সী জে এম ইম্ফাল ৱেষ্টনা বেল পীখি। অদুম ওইনমক মথংগী নুমিৎতা মহাকপু এন এস এ পান্দুনা অমুক হন্না ফাজিনখি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা করিগুম্বা অমত্তা ফোঙদোকপা য়াদব্রা হায়বা ৱাফমসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি। মুসুনা কিশ্বরচান্দগী দেমোক্রেটিক রাইটসকীদমক্তা শৌগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লবা তকশিল্লক্লি।

দিবেট কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):

নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন ন্যু দেল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজ পাঙ্গৈনা শীন্দুনা এন্যুএল ষ্টেট লেভেল দিবেট কম্পিটিসন অমা ঙসি অহানবা এম আরগী বক্কিট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী পুলিস পার্সনেলশিংবু হ্যুমেন রাইটস খঙহন্নবগী পান্দমদা রেসপেক্ট ওফ হ্যুমেন রাইট ইজ এ প্রি কন্দিসন ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট ওফ মণিপুর হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখিবা দিবেট কম্পিটিসন অসিদা মীওই ১৯না শরুক য়াখি অমদি ককচীংগী এস দি পি ও, এম পি এস পি সঙ্করনা অহানবা পোজিসন অমসুং জিরিবামগী এস দি পি ও, এম পি এস টি ঐচ সনাতোম্বনা সেকেন্দ পোজিসন লোয়ননা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর জেমস লিয়াংজাংঙৌ বাইফৈনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, এন এ বি/ পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট দল্লিয়ু বাসুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

[illegible]

চেক্কোন ব্রিক ফার্ম অমা শাঞ্জরি

Tellou Imphal Ukhrul Road তা লৈবা **TCS Brick Farm** অমা শাঞ্জরি। কনাগুম্বা চেক্কোন অসিবু শানবীনিংবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

N.B.: অহানবা লাকপা মীওইদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Contact Nos. ☎ **9615049139 / 9612827326**

HL-P/2702/4&5

[illegible]/ VACANCY

OFFICE OF THE RUDA ACADEMY, THOUBAL
Thoubal Wangmataba, Opp Thoubal College

Sl. Post Vacancy	Age	Salary
1. Security Commander	21 - 40	₹ 7000
2. Security Guard	18 - 35	₹ 6000

The Last Date of submission of Resume is on 10th Dec. 2018 on the school premise.

For further contact :
☎ 8729837760

HL-P/5776/4,5&6

[illegible] ADMISSION OPEN [illegible]

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4970/13/11-9/12

CAS REVISION
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
CLASS XII & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oriented test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

8th Position
LANCHENBA DINAM
HSLC Exam 2018, 94%
(Man,E,M,Sc.,S.Sc,Hm)



DEEPAK DINAM
HSLC Exam 2018, 92%
(Man,E,M,Sc.,S.Sc,Hm)


ROHIT KHUMUKCHAM
HSLC Exam 2018, 75.8%
(Man, M, Sc.)

MAIBAM STEPHEN
HSLC Exam 2018, 74.5%
(Man, M)

LUNGINMANG HAOKIP
HSLC Exam 2018, 72.6%
(MIL, E)

Classes for Revision Course starts from 22nd Nov. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4983/13/11-12/12